# ইন্দিয়াগী জেব্লিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রানা পেরিস দাইমন্দ লীগতা মঙাশুবা পোজিসন তাখ্রে







পেরিস, জুলাই ০২ :
ইন্দিয়াগী জেব্লিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রানা মফম অসিদা চথরিবা পেরিস দাইমন্দ লীগকী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা জেব্লিন ইভেন্টতা মিটর ৮৮.৬৭ শান্না লংদুনা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈখি।

মহাক্না লীগ অদুদা মরিরক এটেম্প তৌবদা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা মার্ক অদুদগী হেনগৎপা ঙমদনা লৈখি। মশাগী চহী ১৯ শুরবা নিরজনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা মার্ক অসি মিটর ৮৬.৪৮ ওইখিবনি। মহাক্না ইভেন্ট অদুগী অহানবা থ্রোদা মিটর ৭৯.৫৪ শান্না লংখি। অনীশুবা মহাক্কী এটেম্পতা মিটর ৮১.৩২ লংখি অমদি মহাক্কী অহুমশুবা এটেম্পতনা মিটর ৮৪.৬৭ লংখি।

ৱর্ল্ড জুনিয়রগী চেম্পিয়ন অসিনা মথংগী এটেম্প অনীদা মথংশিৎনা মিটর ৭৮.৬৯ অমদি ৭৯.৫২ লংদুনা ইভেন্ট অদুদা মঙাশুবা পোজিসন তাখি। জর্মনিগী জোহানেস ভেট্টরনা মশক থোকপা পার্ফোমেন্স পীখিদুনা মিটর ৮৮.৭৪ শান্না লংখিদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। অদুগা চেক রিপব্লিক্কী জাকুব ভাদলেজনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা থ্রো ওইনা মিটর ৮৮.০২ লংদুনা শিলভর মেদল লৌখি। অদুগা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন জর্মনিগী থোমাস রোহল্লরনা মিটর ৮৭.২৩ শান্না লংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নিরজনা লাক্লিবা জুলাই ৬ তগী ৯ ফাওবা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগনি।

নিরজনা দাইমন্দ লীগতা মঙাশুবা পোজিসন তাখিবা অসিনা মহাক্কী তৌবা ঙম্বা পার্ফোমেন্স অদু মালেমদা উৎপা ঙমখি। মহাক্না কম্পিটিসন অদুদা মালেমগী মমিং লৈরবা এথলেট তরাগী মনুং চনবসু ঙমখি।

ৱর্ল্ডগী অন্দর-২০ গী জুনিয়র চেম্পিয়ন অসিনা দাইমন্দ লীগতা উৎখিবা মহাক্কী অহানবা পার্ফোমেন্স অদুনা রেঙ্কিংদা হাইগৎপসু ঙমখি। মমাঙগী চহীদা পোলেন্দগী বাইগোজদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ অদুদা মিটর ৮৬.৪৮ শান্না লংদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

নিরজনা সেনিয়রগী কম্পিটিসন্দা অহানবা ওইনা চঙলকপদা অনেম্বা পার্ফোমেন্স পীখ্রবসু মালেমগী শরু ইরবা এথলেট ১০ গী মনুংদা চনবা ঙমখিবা অসিনা মহাক্কী তুংদা লাক্কদবা খোঙচৎতা হেন্না মায় পাক্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

হৌখিবা চহী অনীদা নিরজনা মহাক্কী পার্ফোমেন্স অদু মতিং থোক্লা উৎপা ঙমখ্রবসু অশোনবা খরখক লৈরিবনা মখা তানা ফোরেন কোচ থমদুনা অহেনবা পার্ফোমেন্স পীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি।

পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড জুনিয়র জেভলিন চেম্পিয়ন নীরাজ চোপ্রানা মমাঙ চহীদা পোলেন্দদা পাঙথোকখিবা অন্দর ২০ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অদুগী মতুং হন্দক শরুক য়ারিবা অসিনা মহাক্কী অহানবা গ্লোবেল কম্পিটিসনসু ওইরে। নেসনল রেকোর্দ হোল্ডর অসিনা মিট অসিদা জর্মনিগী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন থোমাস রোহলরসু শরুক য়াগদৌরিবা অসিনা চাংদমিন্নবা ফংগদবদা অপেনবা পোকখিবনি।

দাইমন্দ লীগ কম্পিটিসন অসি লন্দনদা লাক্লিবা ওগষ্ট ৪দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী শেম-শানবগী শরুক অমসু ওইরি। গ্লোবেল ইভেন্ট অসিগীদমক এন্ট্রি ষ্টেন্দর্দ মিটর ৮৩ লংদুনা ক্বালিফাই ওইবা ইন্দিয়াগী মেল জেভলিন থ্রোৱর অনীগী মনুংদা চোপ্রাসু অমনি। অতোপ্পা থ্রোৱর অদুনা দাভিন্দর সিংহনি।

অমরোমদা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন ওমার মেকলিওদপু পেরিস দাইমন্দ লীগকী মিটর ১১০ গী হর্দলদা নৌনা থোক্লকপা মহাক্কী কম্প্রেটিওট রোনাল্ড লেভিনা মায়থীবা পীখ্রে।

মেকলিওদনা চয়োল অমগী মমাঙদা ১২.৯০ সেকেন্দদা চেন্দুনা মহাক্কী নেসনল টাইটল থমখিবনি। দাইমন্দ লীগ অদুদা মেকলিওদকী কম্প্রেটিওট রোনাল্ড লেভিনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্সতা ১৩.০৫ সেকেন্দ চেন্দুনা মায় পাকখি।

লমজেল অদু লোইখ্রবা মতুং লেভিনা হায়খি, মসি ঐনা য়ুরোপ্তা মায় পাকপা খ্বাইদগী অহানবা অমনি। মসি ঐঙোন্দদি য়াম্না মরুওই। ঐনা মতম পুন্নমক্তা পেরিসকী পার্ফোমেন্স অসি নীংশিংদুনা লৈরগনি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মমাঙদা মায় পাকপা অসিনা লাক্কদৌরিবা কম্পিটিসনশিংদা হেন্না থাজবা হেনগৎহল্লে। হৌজিক ঐনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা করি তৌগদগে হায়বদু নীংথিনা খঙবা ঙম্লে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা ওলেম্পিক চেম্পিয়ন রুথ জেবেটনা ইভেন্ট অসিমক্কী মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৩০০০ গী ষ্টেপল চেজদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবী অসিনা ঙরাংগী লমজেল অদুদা মরিশুবা পোজিসন তাহৌখি।

# ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ : ইন্দিয়াগী হোম মেচশিং দেল্লিদা শান্নরগনি



ন্যু দেল্লি, জুলাই ০২ :
ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ মেচশিং মুম্বাইদগী নেসনল কেপিটেল দেল্লিদা হোংদোক্লবা এপেক্স সোক্কর বোদিনা য়ূম্বু ওইরিবা গভর্ণমেন্টনা হায়জখিবা ৱাফম লুম্না লৌদুনা পায়খৎখিবা থৌরাং অদুমক ফিফানা অয়াবা পীরক্তুনা দেল্লিদা ওইনা শান্নরগনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না অহানবদা মুম্বাইবু ইন্দিয়াগী হোম মেচশিং য়ূম্বু ওইবগী অপাম্বা লৈখি অদুবু কোন্না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদগী অকনবা প্রেসর লাক্তুনা ফিফাদা মফম হোংদোক্তুনা দেল্লিদা পাঙথোক্লবা এপেক্স সোক্কর বোদিনা হায়জখিবা অদু য়ারকপগা লোয়ননা হোমগী টিম গেমশিং কেপিটেলনা য়ূম্বু ওইবা হায়বা গভর্ণমেন্টকী ৱাফমবু অয়াবা পীখি।

ইন্দিয়াগী রাউন্দ রোবিন মেচশিং মুম্বাইদগী দেল্লিদা হোংদোকপগী ৱাফম অদু লৈখায় তারবা মতুং ফিফাগী হেদ ওফ ইভেন্ট জাইমে য়ার্জানা হায়খি, ঐখোয়না টুর্নামেন্ট অসিগীদমক কান্নগদবা ৱারেপ অমা পাঙথোক্লে। ঐখোয়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হায়জরকখিবা অদু লুম্না লৌখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অসি ফিফা অন্দর-১৭ ৱর্ল্ড কপ শিল্লিবা ঐখোয়গী মরু ওইবা পাটর্নর অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ূম্বু ওইরিবা ইন্দিয়ানা মহৌশাগা গ্রুপ এদা লৈবা হায়বসি চৎনবী অমদি গ্রুপকী টিম মরিগী মনুংদা নম্বর ৱান টিম-এৱানসু ওইরিবনি। নাভি মুম্বাই অসি হান্ননা গ্রুপ এগী মেচশিং শান্ননবা মফম ওইনা লেপখি। অদুবু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না হায়জরকখিবা অদুনা দেল্লিনা হৌজিক য়ূম্বু ওইরগনি অদুগা নাভি মুম্বাইনা গ্রুপ বিগী গেমশিং শান্নরগনি।

য়ার্জনা হায়খি, এ আই এফ এফ অমসুং গভর্ণমেন্টনা পুন্দুনা মসিগী ৱর্ল্ড কপ অসিনা ইন্দিয়াগী তুংগী ফুটবোলদা চাউনা অহোংবা পুরক্কদৌরিবনি। ঐখোয়না পার্টিশিং পেন্নবা অমগা অমগা য়ানবা পুরক্তুনা অরোইবা ৱারেপ অদু লৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।


ইন্দিয়াদা অহানবা ওইগদৌরিবা ফিফা ইভেন্ট অসি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা সিটি তরুক্তা ওক্টোবর ৬ তগী ২৮ ফাওবা চথগনি।

মহাক্না মমিংদি ফোঙদোকপা তৌদনা য়ার্জানা হায়, য়ামদ্রবদা টোপ প্লেয়র অনীদি জুলাই ৭ তা মুম্বাইদা ওফিসল দ্রো ওৎকদৌরিবা অসিদা শরুক য়াগনি। ঐখোয়না ফেনশিংগী নুঙাইহন্দনবা থবক অমত্তা তৌরোই। জুলাই ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ওফিসল দ্রোদা টোপ প্লেয়র অনীনা শরুক য়াবগী মথক্তা টুর্নামেন্ট অসি হৌদ্রিফাওবা শরু ইরবা প্লেয়রশিংনা ৱর্ল্ড কপ অসিগী মথৌ তাবা থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা য়ূম্বু ইন্দিয়াগী মথক্তা অতোপ্পা লৈবাকশিংদি ইরান, ইরাক, জপান, কোরিয়া দি পি আর (এসিয়া), ন্যু কালেদোনিয়া, ন্যুজিলেন্দ (ওসিনিয়া), ব্রাজিল, চিলি, কলম্বিয়া, পেরাগুৱে (সাঊথ অমেরিকা), কোষ্টা রিকা, হোন্দুরাস, মেক্সিকো, য়ু এস এ (নোর্থ, সেন্ট্রেল অমেরিকা অমদি কারিবিয়ন), ইংলেন্দ, ফ্রেঞ্চ, জর্মনি, স্পেন অমদি টর্কি (য়ুরোপ) অমসুং মালি, নাইজেরিয়া, ঘানা অমদি গুনিয়া (অফ্রিকা) নি।

# নোভাক জোকোভিচনা নুপাগী, কারোলিনা প্লিস্কোভানা নুপীগী ইষ্টবোর্ন ওপনগী টাইটল লৌখ্রে



ইষ্টবোর্ন, জুলাই ০২ :
নোভাক জোকোভিচনা মফম অসিদা চথরিবা এগোন ইন্টরনেসনল গ্রাসকোর্টকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা গেমসতা গেল মোনফিলসপু মায়থীবা পীদুনা মেন'স সিঙ্গলস টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা কারোলিনা প্লিস্কোভানা কারোলিন ৱোজনিয়াকিবু মায়থীবা পীদুনা ৱিমেন'স সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

জোকোভিচনা ফ্রেঞ্চমেনবু ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবী পীদুনা টাইটল লৌখি। মেচ অদুদা মহাক্না সেট অমফাওবা দ্রোপিং তৌখিদে। মেচ মায় পাকখিবা অসিনা জোকোভিচনা মথংগী চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমব্লেদনগী টাইটল লৌননবগী থাজবা হেন্না হেঙ্গৎহনখ্রে।

মেচ লোইরবা মতুং জোকোভিচনা হায়খি, ঐনা ইষ্টবোর্নদা লাক্পা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি অমদি লাক্কদবা চহীদা নখোয়বু অমুক হন্না উন্নরগনি হায়বগী আশা তৌরি। মসি মথংগী চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱিমব্লেদনগীদমক শেম শাবা অমনি। ঐনা ৱিমব্লেদনগীদমক মফম অসিদগী চৎলগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

গেল মোনফিলসনা হায়খি, নোভাকনা নীংথিনা শান্নখি। ঐখোয়না ১৪রক শুবা ওইনা শান্নরে অমদি মসি ১৪-০ দা লমজিংখি। মহাক্না মখা তানা নীংথিনা শান্নরকখিগনি হায়না মোনফিলসনা ফোঙদোকখি।

জোকোভিচনা মহাক্কী ফোর্মদা লাক্লনবা হোৎনদুনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা ইষ্টবোর্নগী টাইটল লৌখিবা অসিনা চহী অসিগী অনীশুবা টাইটল লৌবসু ওইখি। মহাক্কী মশাদা অশোকপা লৈখিবা অমদি কোচকা লাপথোক্লখিবনা মেন তানা লৈখিবনি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা করোলিনা প্লিস্কোভানা কারোলিন ৱোজনিয়াকিবু ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে। কুমজা ২০০৯ দা টাইটল লৌখিবি দেনমার্ককী ৱর্ল্ড নম্বর ৬তা লৈরিবী ৱোজনিয়াকীনা টাইটল অসি অমুক হন্না লৌননবসি অচেৎপা ফীরেপ লৌদুনা চঙশিল্লকখি অদুবু প্লিস্কোভাগী মখুৎতা মায়থীখি। মশাগী চহী ২৫ শুরবী প্লিস্কোভানা হায়খি, টাইটল অসি লৌবদা অপেনবা ওইরি হায়না ফোঙদোকখি।

# অনাশ ইদাথোদিকানা ইন্দিয়ন প্লেয়র ওফ দ ইয়র, সি কে ভিনিথনা ফেন্স প্লেয়র ওফ দ ইয়র এৱার্দ ফংখ্রে



আইজোল, জুলাই ০২ :
ফুটবোল প্লেয়র এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এফ পি এ আই)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মখোয়গী এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা অনাশ ইদাথোদিকানা ইন্দিয়ন প্লেয়র ওফ দ ইয়র অদুগা সি কে ভিনিথনা ফেন্স প্লেয়র ওফ দ ইয়র এৱার্দ পীদুনা ঈকাই খুম্নখ্রে।

মিজোরামগী কোনুং আইজোলদা পাঙথোকখিবা এৱার্দ খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা অলফ্রেদ জার্য়ান অমদি খালিদ জামিলবু মথংশীৎনা বেষ্ট ফোরেন প্লেয়র অমসুং বেষ্ট কোচকী এৱার্দ পীদুনা ঈকাই খুম্নখি।

ইদাথোদিকানা ইন্দিয়ন সুপর লিগতা দেল্লি দাইনামোস অমসুং আই লিগতা মোহন বাগানগীদমক মশক থোক্লা শান্নখিদুনা মহাক্কী টিমবু সিজন অসিগী সেমি ফাইনেলদা পুশিনখিবা অদুবু শকখঙবা ওইনা বেষ্ট প্লেয়র ওফ দ ইয়র এৱার্দ পীখি।

বেঙ্গলুরু এফ সি গী এটেক্কর সি কে ভিনিদনা কেরলা ব্লাষ্টর্সগীদমক কথোক্তুনা শান্নখিবা অদুবু শকখঙবা ওইনা ফেন্স প্লেয়র ওফ দ ইয়র এৱার্দ পীখি।

মহাক্না হায়খি, ঐনা এৱার্দ অসি ফংবদা অপেনবা পোকই। ঐগী অহল লমনশিংনা চাউনা ঙাক্লৌ পীখিবা অদুনা ঐগী মায় পাকপা অসি ওইরকখিবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এফ সি আইজোলবু আই লিগকী চেম্পিয়ন ওইহনখিবদা চাউরবা দায়ত্ব লৌখিবদা নত্তনা লৈবাক অসিগী ফুটবোলগী পুৱারীদা এফ সি আইজোলগী মমিং ইহনখিবা কোচ খালিদ জামিলবু বেষ্ট কোচকী এৱার্দ পীদুনা ঈকাই খুম্নখি। মহাক হৌজিক ইষ্ট বেঙ্গলগী কোচ ওইনা থৌ পুরি।

মণিপুরগী উদান্টা সিংহবু বেষ্ট য়ঙ ফুটবোলর ও দি ইয়র এৱার্দ পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। উদন্টা সিংহনা লৈবাক অসিগীদমক মশক থোক্লা শান্নদুনা মালেমগী লৈবাকশিংদা ইন্দিয়াবু শকতাকপদা চাউরবা দায়ত্ব লৌখিবনি।

দিপক মন্দাল, সন্দিপ নন্দি, রাজন চৌধুরি, এস. মালস্বাটলুঙ্গা অমদি মিজোরাম ফুটবোল এসোসিয়েসনবু এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা অখন্নবা মনাশিং পীদুনা ঈকাই খুম্নবা উৎখি।

ফুটবোল প্লেয়র এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এফ পি এ আই) না লৈবাক অসিদা ফুটবোলবু চাউখৎহন্ননবা চাউরবা থৌদাং লৌদুনা থবক থৌরমশিং পাইখৎলিবনি। এসোসিয়েসন অসিদা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল প্লেয়র কয়ানা মেম্বরশিং ওইনা লৈরি।

# অলটিমেট টেবল টেনিসকী অহানবা লেগ চেন্নাইদা জুলাই ১৩দগী চথবা হৌরগনি, ফোরেন প্লেয়রশিংশু শরুক য়াগনি




চেন্নাই, জুলাই ০২ :
টামিল নাদুনা য়ূম্বু ওইদুনা মসিগী কোনুং চেন্নাইদা লাক্লিবা জুলাই ১৩ দগী ২০ ফাওবা অলটিমেট টেবল টেনিসকী অহানবা লেগ পাঙথোকপা হৌরগনি।

টিম তরুক্না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা লীগ অসিগী ওপনিং গেমদা ইন্দিয়াগী টোপ পেদলর অচাম্তা শারাথ কমল য়াওবা আর পি এস জি মাভেরিক্সনা ফালকোন্স টি টি সীগা চেন্নাইগী জৱাহরলাল নেহরু ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। সিটি অসিদা অপূনবা টাই নিপান শান্নগনি হায়না চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

লীগ অসিগী অনীশুবা লেগনা ন্যু দেল্লিগী থয়াগরাজ ষ্টেদিয়মদা জুলাই ২১ দগী ২৫ ফাওবা চথগনি। অদুগা লীগ অসিগী অরোইবা অমদি অহুমশুবা লেগনা মুম্বাইদা জুলাই ২৬ তগী পাঙথোকপা হৌগনি। এন এস সী আইদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা সেমী ফাইনেল অমদি ফাইনেল চথগনি। সেমী ফাইনেলনা জুলাই ২৮ অমদি ২৯ দা পাঙথোক্কনি অদুগা ফাইনেল মেচনা জুলাই ৩০ দা পাঙথোক্কনি।

লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা ফ্রেঞ্চাইজ খুদিংমক্তা ওভরসিজ অমদি ইন্দিয়ন প্লেয়রশিংনা পূন্না শেন্লি। ফ্রেঞ্চাইজ অমমমদা নুপা প্লেয়র মরি অমদি নুপী প্লেয়র মরি য়াওবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন অমদি ইন্টরনেসনল কোচ অমমমসু য়াওরি।

ফ্রেঞ্চাইজশিং অসি লৈবাক অসিগী মমিং চৎলবা অতোপ্পা লীগশিংদা সিটি-বেজ ওইনা তৌরিবা অদুগী মহুৎ ক্লব-বেজ তৌবশিং ওইরি। লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা টিমশিং অদুদি মহারাষ্ট্রা য়ুনাসটেদ, ওইলমেক্স-ষ্টাগ য়োধাস, দাববাঙ স্মাশর্স টি টি সী, আই প্রোস্পেক্ট চেল্লেঞ্জরস, ফালকোন্স টি টি সী (বেসাইদ স্পিন্নরস) অমদি আর পি এস জি মাভেরিক্সনি।

লীগ অসিদা ফোরেনগী প্লেয়র ২৪ না শরুক য়াগনি। শরুক য়াগদবা ফোরেন প্লেয়রশিংগী মনুংদা নুপাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৭ শুবদা লৈরিবা ৱোঙ চুন টিঙ অমদি নুপীগী ৱর্ল্ড নম্বর ৯ দা লৈরিবা হান য়িং য়াওরি।

অদুগা ইন্দিয়াগী ওইনসু অপূনবা প্লেয়র ২৪ য়াওরি। ইন্দিয়নশিংগী মনুংদা শারাথ কমল অমদি মানিকা বাট্রাসু য়াওরি। মসিদা ইন্দিয়ন কোচশিংদা নত্তনা ফোরেন কোচসু য়াওরি।

লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিংনা মেচ মাপন মাপন শান্নগনি অদুগা টাই খুদিংমক্তা গেম অহুম অহুম লৈগনি।

অলটিমেট টেবল টেনিস পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি মালেমগী মশক নাইরবা প্লেয়রশিংগা ইন্দিয়াগী প্লেয়রশিংগা শান্নহন্দুনা মশক থোকপা লৈবাক অসিগী প্লেয়রশিং ওইহন্নবনি হায়না অলটিমেট টেবল টেনিসকী কো-প্রমোটর অমদি ওনর ভিষ্টা দানিনা ফোঙদোকখি।

লীগ অসি ষ্টার স্পোর্টস নেটৱার্ক, হোটষ্টার অমদি জিও টি ভিদা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌদুনা শন্দোক্কনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ
ADMISSION OPEN FOR B.Sc. Nursing & GNM 2017-18
at Vijayawada A.P.
Offers Govt. Fees specially for Manipur Students
B.Sc Nursing: Fees Rs 26000/- p.a. Hostel Rs 4000/- p.a.
Eligibility - 10+2 EPCB 45% (Aggregate)
GNM: Fees Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3600/- p.a.
Eligibility - 10+2 passed any stream 40%
Mess Fee : Rs. 1,800/- per month
One of the best Medical College in South India, own hospital having 750 beded inside the campus. (Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University)
B.SC. NURSING ADMISSION OPEN 2017-2018
at Gitam University, Vishakhapatnam
→ Tuition fees Rs. 30,000/- (per year)
→ Food & Accommodations Rs. 30,000/- (per year)
Eligibility Criteria : 10+2, PCB 50%
(only female candidate)
SPOT ADMISSION
Top Deemed University having own medical college & hospital
EDUCARE ZONE Babupara, Near BOSEM Imphal
# +91 8794026277 & +91 9436009556
HL-P/0679/2to11-13,15,17,19&21

ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN - Foundation Course for Class I to X Starts: 22nd June 2017 Time : 4:30 pm - 7:30 pm
Foundation Course for Class XI & XII Starts: 22nd June 2017 Limited Seat



HL-B/3932/10/06-12/07